# কোংগ্রেস পার্টিদি বি জে পি, এন পি এফকুম্না খূৎলায় পায়বা নহারোল লোইদে ঃ গাইখাঙম

ইম্ফাল,মে ২১ (এস এন এস)ঃ কোংগ্রেস পার্টিদি এন পি এফ, বি জে পিগুম্না খূৎলায় পায়বশিং লোইদে। মরম অসিনা আউটরগী মীখলগী ফলদা চিনবা খরদি লৈ হায়না হায়রগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুরগী কোংগ্রেস ভবন দা পাউমীশিংগী উৎবদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা গাইখাঙমনা হায়, হন্দক্তা হায়রগা পাওখোকখিবা ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অসিদা মণিপুরগী আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী ওইনদি বি জে পি অমসুং এন পি এফ পার্টিগুম্না খূৎলায় পায়বা লালহৌবা লোইদবা চুম্না পোলিটিকেল তৌজরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী ফিতম খরা লুরি হায়খি।

মহাক্না হায়, ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মেদিয়াশিংদা পীরিবা এক্সিট পোল অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা হায়, এক্সিট পোল হায়বসি ৱাখলনা শাগৎপনি। মসি চুম্মী হায়না লৌবা নৎত্রগা লাল্লি হায়না লৌবসু য়াদবা খরদি লৈ।

হন্দক্তী মীখলগা মরি লৈননা পিরিবা এক্সিট পোল অসিদি মীয়ামগী ৱাখলোন্দা থাজো হায়বা য়াম্রি। কুমজা ২০০৪ দা অটল বিহারি ভাজ পায়না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমদা মেদিয়াগা চাউনা এক্সিট পোলদা মখোয়না মায় পাক্কনি হায়না প্রিডিক্সন তৌরকপা কোংগ্রেসনা মশীং হেন্না মায় পাক্লগা সেন্টরদা লৈচিং শিন্নখি।

হৌজিক লৈরিবা এজুমসন অসি লোইনা চুমগনি হায়বদি লাংগনি। হন্দক্কী মীখল মতুঙদা য়ু পি এ অমসুং মসিগা চেন্নমিরিবা এলাইজশিংগা পুনলগা নন এন দি এগী লৈঙাক অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি করিগুম্বা মতমদা লৈঙাক মান্দবা মওং কয়া চৎখরকপা লৈরি। হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী সিনারিও অসি য়েংলগা লৈরিবা এক্সিট পোল অসি চুমগনি হায়বা থাজদে হায়খি।

মহাক্না হায়, হন্দক অনওঠোরাইজ ই ভি এম ময়াম ফাগৎপা, মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়রগা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাই খুরুম্বা চৎলুবা অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াসু করি এক্সন লৌখৎপা লেখিবগে হায়না মহাক্না হংখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি অরানবা তৌগে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈতে। মীয়াম্না পীরকপা ভর্ডিক্ট অদু কোংগ্রেসনা য়াবা তাবনি। হৌজিক সেন্টরদা অমসুং স্টেটদা চুপ্পি পায়রিবা লৈঙাক অসি য়ানিংদবা মীয়াম অমসু লৈরিবনি।

ই ভি এমশিং থম্রিবা স্ট্রং রুম অসি সিল তৌরবা মতুংদদি ই সি আই ওইরবসু শোকফম থোক্কবনি। তঙাইফদবা লৈদুনা হাবা তারবসু মদু পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী ওইনা মীরেল নংত্রা মখোয়গী এজেন্টশিং য়াওনা পুম্না চেকআপ তৌবা, মীয়ামদা কিহন মদু ঙাক্তবগী ৱাফম হন্দক মণিপুরদা ঙাউনরকপা লৈরে হায়খি।

মহাক্না হায়, ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদদি কোংগ্রেসগী মীরেলপ মীয়াম্না নুংশিবিগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ। লৈঙাক পায়বনিনা বি জে পিগা খ্বাইদগী নক্লনা চৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মহাক্না হায়, মীখল অসিদা সি পি আইগী মীরেপনা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অনিমক্তা চপ মান্নবা শাফু অমা পীগনি হায়না লৌই। অদুবু মহাক্না ফংবা তারবসু মায় পাকপা য়াবগী চাং অদু য়ৌনা ফংগনি হায়বা থাজদে হায়খি।

মীখল অদুদা বি জে পিনা হৈঙাং অমসুং অন্দোদা চাউনা হেনগনি পাবগুম্না কোংগ্রেসগী ওইনসু কন্স-টিট্যুয়েন্সি খরদা কোংগ্রেসনা চাউনা হেনগনি হায়বা য়াবা কয়া য়াওরি। মসিনা বি জে পিদগী কোংগ্রেসনা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমগনি হায়রি-খ।

আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্স-টিট্যুয়েন্সি অসিদদি বি জে পি অমসুং এন পি এফনা খূৎলায় পায়বা নহারোলগী খুৎশম্নরগা বুঠ কেপচরিং দোর তৌবা, মীয়ামদা কিহন খুৎশিবা থবক চৎপদা তৌরে।

কোংগ্রেস পার্টিদি নহারোল লোইদবা চুম্না পোলিটিক্সন শান্নবা পার্টিনি। মরম অসিনা করিগুম্বা কিহন খৎহনবগী থবক লৈরমদবা তাবরদি কোংগ্রেসনা শোয়দনা আউটরসু মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারম্বনি হায়খি।

বি জে পি, এন পি এফকুম্না খূৎলায় পায়বা কাঙলুপশিং অসিনা স্পোন্সর তৌবা অসি থিংনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

# য়ূমগী হেল্পরদা অথিবা ৱাহৈ শিজিন্নরগা খূৎ থাখিবা রোমিওবু দন্দি পীবীয়ু

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস)ঃ য়ূমগী থবক ইনখাংদা মতেং পাংহন্নবা থম্বা মশাগী চহী ২৩ শুরবী চীংমী লৈশাবী অমদা য়ূম্বুনা তাথি–তাওইবা ৱাহৈশিং শিজিন্নরগা ফু–চৈখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগী মরী লৈননা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা, ভিক্টিম ওইরবী অলফোন্সা শিংলাইনা হায়, য়ূম্বু রোমিও কোইরেংনা মহাকপু ঙরাং নুমিদাইৱাইরম পুং ৬.২০ রোম তাবদা তাথি–তাওইবা ৱাহৈশিং শিজিন্নরগা ফুখিবনি। থৌদোক অদুগী মরমদা মহাক্না শন্দোক্না তাক্লদুনা হায়, রোমিও কোইরেংনা মঙোন্দা নোইগী মেদাম (রোমিওগী লোয়নবী) লৈব্রা হায়না হংলকখি। থবক তৌনা–তৌনা, মেদাম লৈতে–কদাইদা চৎপনো খঙদে হায়না খূমখি। ৱাহৈ অদু হেক তাবগা, মনাক্তা চংলক্লগা মীনাই নঙ করি তৌদুনা লৈ হায়রগা মহাকপু ফুরকখিবনি।

মফম অদুদা লৈরম্বা টেবল অমদসু মহাক্কী মকোক অদু য়ৈশিন্নবা মওংদা শাফু কন্না ইল্লকখি, অদুবু মহাক্কী মখূৎনা মতমচানা ঙাকহৌবদগী মকোক্তী কায়খিদে। মদুদসু নত্তনা, গ্যাস ফেমদা মহাক্কী মকোক অদু ইনশিনখি, মতমদুদা গ্যাস মৈ থারমদবদগী মহাক্কী মশম অদু মৈ চাকহৌদবনি হায়রি।

ফুবদসু নত্তনা, য়াম্না তাথি–তাওইবা ৱাহৈশিং শিজিন্নরগা মহাকপু ফুখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউদমবদা অলফোন্সা থম্মোই শোক্লসু কপখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অলফোন্সানা মহাক্কী পোক্লফম লমদম মেরিলেন্দ, চান্দেল দিষ্টিক্টতা লৈহৌবা মহাক্কী অপোকপা এগষ্টিন শিংলাই অমদি মচে মেরিরোস শিংলাইদা মোবাইল ফোনগী খুত্থাংদা পাউ পীরকই হায়রি।

অগষ্টিন শিংলাইনা হায়, ইম্ফাল দ্যুলালেন্দদগী রোমিও কোইরেংগী লোয়নবীনা মহাক্কী মচানুপী অলফোন্সাবু মহাক্কীদা হেল্পর ওইনা লৈহঞ্জগে হায়না তোইনা হায়জবদগী মচানুপীবু মহাক্কীদা লৈহনখিবনি। রোমিও কোইরেংগী লোয়নবী অসি মশাগী ময়ূমদা লিটল বার্দ কিয়র স্কুল মিংথোনবা ইন্সষ্টিট্যুট অমসু চলাইদুনা মদুগী প্রিন্সিপাল ওইরিবা মীশক্লি।

মহাক্না হায়, থৌদোক থোকখ্রবা নুমিৎ অদুগী মথংগী নুমিত্তা মহাক মশা য়াওনা মীওই ৪।৫ রোমিওগী ময়ূমদা রোমিওবু উনবা চৎলি।

অহানবদা রোমিও থোকরউ য়াদে। অদুবু রোমিওগী ময়াম্বনা মী উনবা লাক্লিবসি খরা উনৌ করি তৌবগে হায়বদগী মহাক (রোমিও) থোরকখি। মতম অদুদসু রোমিওনা মখোয়দা তাথি–তাওইবা ৱাহৈশিং শিজিন্নরগা চৈরকই। মীনাই নোই পৈশা কয়াম পাম্মী, মী নেক্লগা ফুহনলুরা হায়রম্লগা মফমদু থাদোক্লগা চৎখিবদগী মহাক হঞ্জিল্লক্ত্রে।

মদুগী মতুংদা, ভিক্টিম অদুগী পোকমিন্নবা মচে মেরিরোসনা অলফোন্সাবু মফমসিদগী পুরগে হায়খি। মতমদুদা রোমিওগী মনাওনুপা শিনফম্না পুলিস ওইবা অমনা মেরিরোসবু ফুরকখি 'নুপানা নুপী ফুবদা লো লৈতে হায়রগা মেরিরোস কী ফৈগলদা নেৎখি হায়রি। মেরিরোস না হায়, মহাক্কী ফৈগলদা নেৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মখোঙ অসি চৎথোক–চৎশিন্দা নুংঙাইতবা ফাওই। ময়ূমগী হেল্পরদা তাথি–তাওইনা তৌবদগী হেন্দোক্তুনা মখূৎ থাখিবা রোমিও অমসুং রোমিওগী মনাওনুপাবু লোগী মতুংইন্না দন্দি ফংহনবীয়ু হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমসুং লোঞ্চ তৌখ্রে হায়।

রোমিও কোইরেং অসি কোইরেং ফূরুপকী ওর্গনাইজেসন অমগী লূচিংবা অমনি হায়না তাই। মহাক্কুম্বা মীওই অসি ওর্গনাইজেসনগী লূচিংবা ওইবদা মতিক চাদে হায়নসু মখা তাখি।

# রিমসকী ডাইরেক্টরদা পীখিবা মতম লোয়রে ঃ কে সি পি–এম সি

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যু ওফ মেদিকেল সাইন্স (রিমস)তা অরানবা তৌবশিংগী মতাংদা লূপ অসিনা মীয়ামদা খঙহনখ্রবা মতুংদা মখাতানা থিগৎপদা কাহেন্না হুরান চিন্থি তৌবগী খুদম চাংদম ফংলে। ডাইরেক্টরগী ফমথোল অসি এক্সটেনসন য়নাবগীদমক ৱাচৎ–ৱানোম চৎথবা খুদোং চনবগীদমক গভর্ণরগী মীওই অমদা রিমসকী ক্বাটর টাইপ ২–৩ অমদি ৪ গী লম্বী কোয়লাস থাবগী থবক পীশিনখি। মসিদা নৎতনা থোংজু কেন্দ্রদা লৈবা প্রাবু কৌবা আর এস এসকী মীওই অমদসু ৱাচৎ ৱানোম চৎথখি। কন্সত্রকসন ওফ এক্সটরনেল বাউন্দরি ফেনসিং ফ্রোম বি এস এন এল ওফিস অপ–টু এই আই বি গেট হায়বা কোন্ট্রেক অমগী শেনফম অসি ডাইরেক্টরনা ফাইল ময়াম অমা কাম্থোক্লগা মহাক্না ঙম্মি হায়দুনা অরানবা মওংদা ১ ক্রোর মুক্কি শেনফমসু কায়থোক্তুনা হুরান লোনন্দা থবক তৌরম্লে। ন্যু গেষ্ট হাউসকী অকোয়বদা ১.৪ কিলোমিটরগী লম্বী শেন্বদসু ক্রোর ১ গী ময়াগী শেনফম অমা লান্না কায়থোক্তুনা হুরানখিবসু লূপ অসিনা ময়েক শেংনা থেংনরে। পল্লিবা খরা অসি অচৌবা শেনফমশিং হুরান–খবগী খুদম্লি অদুবু দিপার্টমেন্টেল ৱাক্তা অপিকপা শেনফম কয়া অমসু লৈরি, অপিকপা শেনফম ময়ামশিং অসি পুন্না পুনশিল্লগদি য়াল্লবা শেনবুম অমা হুরানখিবগী চপ চাবা খুদম চাংদম কয়া লূপ অসিনা থিগৎপদা খঙবা ঙল্লে। হৌজিক রিমস অসি অনা লাইয়েং শঙ ওইদ্রে। শেন্দোং তানফম লুক্সাই কৈথেল ওন্থোক্লে। রিমসকী ডাইরেক্টরনা অনা লাইয়েংগী থবক্তদি করিসু য়েংশিনবা তৌদ্রে। রিমসকী ডাইরেক্টরনা হুরান চিন্থি চৎথবসিদা চৈঙাক পীরিবসি হান্না মহৈরোয় লূপ অমগী লুচিংবা ওইরম্বদা নৎতনা মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা শেমখিবা লূপ অমদা লুচিংবসু ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্না গৌ–রকশক ( ষন কনবা কাংবু) ওনখ্রবা ডা. কে ঐচ গৌরাশ্যাম কৌবা অমনি। সি এস ও লুচিংবা অমা ওইরম্বনা লানহৌবগা য়াম্না খঙনবা অঙম অথৌ শাদুনা মঙক থেক্কৎলগা চৎলিবা মীওই অসিনা রিমসকী ডাইরেক্টরগী ইমুং মনুং থোকপা শতিস কৌবা মীওই অমগা তিন্নবা মরম ওইরগা হুরান চিন্থিগী থবক অসিদা অকিবা য়াওদনা চঙশিনবনি। টিম অসিদা হান্না মহৈরোয় লূপ খরগী লুচিংবা ওইরম্বা হৌজিক্না গৌ রকশক ওনখ্রবা হংলাই খরসু শতিস অমদি গৌরাশ্যাম অনীগী খৌবুনাই ওইরি অমদি লূপ অসিনা লোয়না মশক মমিং খঙলে। মখাতানা হুরান চিন্থিগী থবকশিংদা চেন্নরক্লগদি মখোয়বুসু চপ চাবা পারা তম্বিনবা শেম শারগনি। রিমসকী ডাইরেক্টরদা কংলৈপাক কম্মুনিষ্ট পার্টি মিলিটরি কাউন্সিল (কে সি পি–এম সি)না পীখিবা মতম লোইরে। আর এস এস অমদি হংলাই খরা অসিনা কয়াম কুইনা চুংগোই ওইবগে হায়বদুগী চাংয়েং ওইনা লূপ অসিনা অকনবা মীৎয়েং চংলগনি। রিমসকী ডাইরেক্টরগী চৈঙাক ওইরিবা শতিস অমদি কে ঐচ গৌরাশ্যামনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা ৱাখল তামিন্নগদবনি। রিমসতা কন্ট্রেক্ট ৱাক্কী থবক খুদিংমক মপুং ফানা অথিংবা থল্লে অমদি খুদক্তগী রিমসকী ইঞ্জিনিয়ররিং শেল অসিসু থিংজিল্লে। অদুবু অনা লাইয়েংগা মরী লৈনবা থবকশিংদদি লূপ অসিনা মখল অমতগী অথিংবা থল্লোই মরম অদুনা অনা লাইয়েংগী পোৎলম চৈরম লৈবগী কন্ট্রেক্ট ৱাকশিংদদি অথিংবা থল্লোই। মখাতানা রিমসকী ডাক্তরশিংনা নন প্রেক্টিসিং এল্লাৱেন্স লৌনা–লৌনা অরানবা মওংদা লন্নাই প্রাইভেট ক্লিনিকশিংদা মশাগী মথৌ হুনে দাক্লগা প্রেক্টিস তৌবা চৎলম্বা থোক্লবদি লূপ অসিনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। হৌজিক অনা লাইয়েংশঙ অসিগী অকোয়বদা লানবুং ওল্লকপা তারগদি মদুগী তেকচাক খুদিংমক রিমসকী ডাইরেক্টকনা পুগদবনি।

# বোম পোকখায়বদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসনা কোনবা ফুম্লৌ মমাঙ লৈকাইদা লৈবা ফুম্লৌ গ্রাম পনচায়ৎকী প্রধান মৈস্নাম মনিকচান্দ (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা মুহিন্দ্রাগী য়ুমগী থোঙ্গালদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা বোম পোখায়হল্লম্বা থৌওং অদু য়ানিংদে হায়দুনা মীয়াম্না ফুম্লৌ বাজারদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ফুম্লৌ অপুনবা নুপী লূপনা শিল্লগা চথখিবনি। ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা লূপ অসিগী সেক্রেটরী খুন্দ্রাকপম থোইবী দেবীনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, প্রধান মনিকচান্দগী য়ুমদা বোম পো–খায়হল্লম্বা অদু করিগীদমক করম্বা লূপনা চথখিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা শেংদোকপিরকউ।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকি–খবদা, মনিকচান্দনা ফুম্লৌ গ্রাম পাঞ্চায়দকী প্রধান ওইরক্লিবসি চহী ২ ফাদ্রি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মহাক্না ফুম্লৌ গ্রাম পাঞ্চায়দনা কোনবা মফমশিংদা শেমগৎ–শাগৎলিবা অসিদা অশোয়বা করিসু লৈ–খদে খনজে। করিগুম্বা য়ানিংদবা লৈরবসু মশামক্তা হান্নন খঙহল্লম্বা য়াদবরা। করিগীদমক বোম পো–খায়হল্লগা মীচম মীয়ামদা অকি তুজুংবা পোকহল্লিবনো। মসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু। মসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনবিয়ু। থৌওং অসি কনানা চথবীরম্বনো হায়বদু অথুবা মতমদা শেংদোকপিরকউ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অনীশুবা সিমিষ্টর একজাম তৌনবা হোৎনবা য়ানিংদে ঃ মহৈরোয়

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস)ঃ দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী অহানবা সিমিষ্টরগী একজাম ফল লাওথোক্তুনা অনীশুবা সিমিষ্টর একজাম তৌনবা হোৎনরিবা অসিদা মহৈরোয়শিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। দি এম কোলেজ ওফ আর্টসতা সেকেন্দ সিমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা থাদা অহানবা সিমিষ্টরগী একজাম তৌখ্রবসু ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা কোলেজ অহুম হায়বদি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, আর্টস অমদি জি পি ৱুমেন কোলেজকী অহানবা সিমিষ্টরগী ফল লাওথোক্তুনা লৈরি। অদুবু অনীশুবা সিমিষ্টরগী একজামনা লাক্লিবা মে ২৩ দগী হৌনবা মতম লেপলকপা অসিনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা পীরে।

একজাম ফল লাওথোক্তুনা লৈরিবা অসিদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী একজাম কন্ট্রোলরনা চিংবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবা লৈখ্রবসু অনীশুবা সিমিষ্টরগী একজাম তৌগদবা নুমিৎ ২ খক ঙাইরবা অসি ফাওবা ফল লাওথোক্তবা অসিনা মহৈরোয়শিংদা চম্মনবা পোকহল্লে হায়রি। লোয়ননা একজাম ফল লাওথোক্লবা মতুং য়ামদ্রবদা চায়োল অমগী মতুংদা অনিশুবা সিমিষ্টরগী একজাম তৌবিয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। নাকল অমরোমদা পাউ চে অসিগা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী একজাম কন্ট্রোলরগা উন্নবা হোৎনবদা কন্ট্রোলর মশা য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈরমখিদে, লোয়ননা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপালগী ওফিসসু শো লোন্দুনা লৈরমখি।

# মীওইবনা মহৌশা য়াওদনা খূৎশেমগী ওইবা পোৎশক...

*লমায় ১গী মখা*

মরু ওইবা নুমিৎ অমনি। মালেম অসি অসুক্কী মতিক চাউখৎলে। অদুমকপু মীওইবনা লৈরিবা প্রিথিবী অসি শাবদি ঙমদ্রি। ঐখোয়না লৈরিবা প্রিথিবী অসি শেন্বিবা মপুগী খুদোলনি। শেন্বিবা মপুনা প্রিথিবী শেল্লম্বতা মীওইবনা অমদি থৱায় পানবা জিবশিংনা হিংবদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম কয়া অমসু পীবিরম্মী।

ঐখোয়না মীওইবনা হিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎশক অমা ওইরিবসি ঐখোয়না নুংশিৎ হায়না খঙনরিবা লেপ্পা লৈতনা মাং হল্লিবা পোৎশক অসিনি। ঐখোয়না করিগুম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমা পায়খৎপা মতমদা য়ান্থৎলিবা উ পাম্বীশিং অসিনা ওক্সিজেন পীরিবনি।

ঐখোয় চাউখৎলে শেল পায়রে হায়দুনা ইথন্তা হিংবা য়াবা নৎতে। অদুনা পাম্বীশিং অসি কান্নবা হোৎনদবা য়াদবা অমা ওইরে। লোয়ননা মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদবা অমসু ওইরিবা ঈশিং অসিবুসু উ পাম্বীশিং অসিনা ঙাক শেন্দুনা থম্লিবনি। অদুনা মরুওইবগী পুন্সিদা খ্বায়দগী মরু ওইরিবসি পাম্বী ওইরে হায়বসি পুন্না খঙমিন্নসি। পাম্বীখক নৎতনা পাম্বীগা মরী লৈনরিবা ষা–উচেক থৱায় পানবা জিবা খুদিংমকপুসু য়াম্না মরু ওইরিবনি। হন্দক ইকুই কুইদনা খৈরোই হায়রিবা জিবা অসিনা মালেমসিদা খ্বায়দৈ উ পাম্বী য়াম্বা থাবা জিবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা লাওথোকখিবা লৈরিবনি।

মহাক্না হায়খি, ঐখোয় মীওইবনা খঙদবদগী উ কয়া য়াম্থলুরবসু হৌজিক মসিনা মীওইবনা কন্নবা কয়াম পীরিবগে হায়বসি খঙলবনিনা কান্নবা হোৎনবা মথৌ তারে। ঐনা নুংঙাইনবা হোৎনবদা ঐগা পুন্না লৈমিন্নরিবা অকোয়বগী ফীভমদা অকায় অতোই পীবা হৌরকপনি। মসিনা অহিং অশাদা চাউনা কায়থরক্তুনা ঐখোয় মীওইবনা হিংবদা অচৌবা অকায়বা অমা পীরি। ঙসি ঐনা উ পাম্বী অমা থাবা মতমদা তুংগী মীরোলনা মদুগী কান্নবা ফঙগদৌরিবনি হায়বা ৱাখল্লোসি ঐখোয় খুদিংদা চেনবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এস ই ই দি এসকী প্রসিদেন্ট এ মোবিনা হায়খি, উ য়ানগনু হায়না লাওজরগসু তঙাইফদবা লাকপা মতমদা তুংদা করি ওইরক্কনি হায়বসি অমতা খন্নদে। অদুনা ঐখোয়দা তুকোইনা অমাংবা পীরোইদবা মওংদা থবক তৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই। লোয়ননা ঐখোয়না ইশাগী খল্লিঙৈদা তুংগী মীরোলদা করি চৈথেং পীগদগে হায়বসি ঐখোয়না হৌজিক্তুগী হৌনা খনবা চংই। উমং কোকথোক্তনবা করি থৌরাং পায়খৎকদগে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক নৈনবা চুম্মি। মসিগীদমক ঐখোয়গী ওইবা খুদক্কি তঙাই ফাদবা অমসুং তুংগী ওইরক্কদবা অনী অসিগী মরক্তা লৈরিবা অহৌবা মেনখৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অদুদা এডিটরস গিলদ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্রো খোমদ্রাম, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবম অমসুং সহেবুং ভিল্লেজকী চীফ পু অথং হাওকিপসু শরুক য়াখি।

# গভর্ণরনা...

*লমায় ১গী মখা*

অসিদা অমোৎ অকায়শিং লৈহন্দনা তরু তানান্না থম্নবা ৱাফমসু গভর্ণরনা ফোঙদোকখি। মসিনা নত্তনা বাজার মনুংদা অমোৎ অকায়শিং শিৎচিল্লগা পৈদুনা থম্বা অসি মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে। লোয়ননা সিতি মনুং অসি তরু তানান্না থম্নবা থবক লৌখৎনবা পাউতাক পীখি হায়রি।

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংদা গভর্ণরনা হায়, কংলা য়েংবা লাক্লিবা মীয়াম্না কংলা মনুংদা অমোৎ অকায় চায়থোকপা য়েংশিন্নবা লোয়ননা মফম চানা থম্নবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখি। লোয়ননা কংলা মনুং অসি নিংথিনা শেমগত্তুনা মসিদা লাক্লিবা লমকোয়বশিংগী পূক্নিং হুনবা থৌরাং পায়খৎনবা ৱাফমসু গভর্ণরনা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

ঙরাংগী মীফম অদুদা ৱাটর রিসোর্ছ মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপ, দিপার্টমেন্ট অসিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমসুং অতৈ ওফিসিয়েলশিং, কম্মিস্নার মাহুদ এম জয়, দাইরেক্ট মাহুদ টি ঐচ হরিকুমার, দাইরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর এ সিবদাস শর্ম্মা য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

# তোঙান তোঙানবা এক্সিদেন্টদা মীওই অহুম শিরে

ইম্ফাল, মে ২১ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোং থিবা থৌদোক অনিদা মীওই অহুম শিরে।

সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কৌজেংলৈমা মপাগী ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা টাটা গারীনা তকপদা গারী মচা তোংবা মীওই থিনা শোকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউদা, থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০.১৫ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি অৱাং সেকমাই মখা লৈকাইদগী অঙোম সন্দিপ, চহি ৩২ অপোকপা শ্যাম অমসুং সেকমাই বাজারদগী মহারবম লকিচান্দ, চহি ২৯ অপোকপা লৈ–খদ্রবা সিংহজিৎনি।

মখোয় অনীনা গারী মচা হোন্দা দাইয়ো এম এন ০১য়ু–১৬২২ অসিদা সেকমাইদগী অৱাং পাংনা হাইগৎখিবদা দিমাপুররোমদগী মাল পুরগা মায়োক্লনা লাখিবা টাটা ট্রক এ এস ০১জি–২১৩৫ অসিগা থেংজিন্নরবা মতুং তকখায়খিবদগী থৌদোক থোকফমদু মক্তদা অমা লৈখিদবনি, অমনা রিমস হোস্পিটালদা পু–খৎলকপদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈ–খদবনি। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা টাটা ট্রক অদু সেকমাই পুলিসনা ফারগা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মখোয় অনীমক নুপী থিরে। সন্দিপকী থা অনিরোমতা ঙাইরিবা মচা অমা লৈহৌরি। লকিচান্দগী লোয়নবীনা হৌজিক হৌজিক মীরোললী। মখোয় অনীমক রঙতৈবগী থবক শুবনি হায়রি। মখোয় অনিগী হকচাং রিমস মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুং ইমুং মনুংনা লৌখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লমশাং বাজারগী থোং মনাক্কী লম্বীদা সাইকল থৌরম্বা মীওই অমা তুশিনবদা লম্বীদুদা লাকখিবা টাটা টিপ্পর অমা শমদৎখিবদগী মফমদুমক্তদা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং য়াংলেম থোইবা, চহি ৪২ অপোকপা ইবোচৌ কোই। লমশাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা তাওথোং অফৈবদগীনি হায়রি।

# অরুনগী জে সি না...

*লমায় ১গী মখা*

থৌদোক অদুদা সি জে এম ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টকী বিল্ডিংদা অকায় অতোয় থোকখিবা অদুবুসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা সি জে এম ইম্ফাল ইষ্টনা থৌদোক অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়জরি হায়রি।

ইকাই খুন্নজরবা লোয়রশিংনসু জে এ সিদা মতেং পাঙবীয়ু, জে এ সিগী মায়কৈদগীসু লোয়রশিংদসু অঙম্বা মতেং পাঙজগনি হায়রি। পনবা য়াবদি অরুন মীশিগা মরী লৈননা হৌখিবা মে ১৮দা মহাক্কী লোয়নবী হেলেনবু লম্ফেলদা লৈবা সি জি এম ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকপদা ইৱাং থোকপদগী কোর্ট রুমগী পোৎলম কয়া অমাং অতা থোকখি।

# টেরোরিজমগী মায়োক্তা মীয়াম লেপমিন্নবা তাই...

*লমায় ১গী মখা*

চথরকপা থৌওং ওইবনা সিভিলাইজ ওইবা মীওইনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্লোইদবগী মরম লৈতে।

চৎলিবা চহী অসিদা অচৌবা তেরোরিজমগী থৌওং কয়া চথদুনা লাক্লি। পুলৱামা এটেক, নিউজিলেন্দগী খ্রাইস চর্চ এটেক অমসুং শ্রীলঙ্কাগী হোটেল অমসুং চর্চতা এষ্টর সন্দে নুমিত্তা চথখিবা এটেক অদু পনবা য়াই।

অসিগুম্বা চথরিবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না লৈ, মীয়াম্না অসিগুম্বা থৌওং অসি পামদে হায়বসি উৎনবা ঙসিগী পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

টেরোরিজম থেংনবদা মীয়ামখক্তুনা থেংনবা য়ারোই। টেরোরিজমনা মীওইবদা পীরিবা চৈথেং ময়াম অসিগী মরমদা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোকপা হায়বসিগী মরুওইবা মীয়াম্না খঙনদুনা লাক্লবনি।

লমদম অসিদা টেরোরিজম থেংনদুনা পুক্নিং শান্তি লৈনা লৈমিন্ননবগী ৱাশক অমা লৌমিন্ননবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা মাহুদ টাউন প্লানিং, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, মালেমগী লৈবাক কয়ানা চাউখৎপগী লমজেল তান্নরি । য়াম্না য়াঙনা চংশিনলক্লবা চাউখৎপগী খোঙজেল অসিদা টেরোরিষ্টনা চাউনা অপনবা পীরি। অদুগুম্বা থৌওং অমদা মতম অমগী য়াম্না নহা ওইরিবা অমসুং লৈবাক অসিগী মমল য়াল্লবা লুচিংবা অমা ওইরিবা রাজিব গান্ধীবু অসিগুম্বা টেরোরিষ্টকী চৈথেং অসি নংহন্দুনা মমল য়াল্লবা লন অসিবু মাঙহনখি।

লৈবাক অসিগী ওইনা মমল য়াল্লবা পুন্সি কয়াবু টেরোরিষ্টকী চৈথেংনা পুন্সি লোমহনখি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী চাউখৎ খোথাংদা অচৌবা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা মীপুম তিংনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা থেংনরবদি শোয়দনা লমদম অসি শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবা য়াগনি।

ঐখোয় খুদিংমক শেল পায়বা য়াই, লাইরিক হৈবা য়াই, থবক চাউনা তৌবা য়াই। ঐখোয়না থবক তৌবদা পুকচেল শেঙদবা, থম্মোয় শেঙনা থবক তৌদ্রবা, টেরোরিষ্টকী চৈথেং নংলবা মীওইশিং অদু কৈদৌঙৈদা পূক্নিং শান্তি ফংবা ঙল্লোই।

মরম অসিনা ঐখোয় খুদিংমক চপ মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নদুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা পুন্না থেংনদুনা টেরোরিষ্টকী খোঙথাং অসিবু মরু ফংনা মুখৎলসি হায়খি।

থৌরম অদুদা লৈঙাক্কী ওফিসারশিং মশীং য়াম্না শরুক য়াখদবা অসি লাইবক থিবনি। মসি তঙাইফদনা য়াওফম থোকপা থৌরম অমনি খন্না শরুক য়াগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেননা লুচিংদুনা মীয়াম্না নন ভাইওলেন্সতা থাজবা থমদুনা মখল খুদিংমক্কী টেরোরিজমগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা লেপ্পুনা ইংথ তপথবা, নুংশি চান্নবা অমসুং মীওইবা মশেল মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকপগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সি অমসুং লন থুমদা শিংনরকপা পুন্নমক থেংননবা ৱাশক লৌমিন্নখি।

# অমিট সহানা এন দি এগী লুচিংবশিং চাক ...

*লমায় ১গী মখা*

দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন দি এ)না সিট ৩০২ ফঙবা য়াই। অদুগা কোংগ্রেস অমদি কোংগ্রেসকা চুংশিন্নবা পার্টিনদি সিট ১২২ ফঙগনি হায়না পানরি।

পোলিটিকেল পার্টি অমনা নৎত্রগা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী চুংশিন্নবা পার্টি অমনা লৈঙাক শেমগে হায়রবদি য়ামদ্রবদা সিট ২৭১ ফঙবা মথৌ তারি। নীংশিংবা য়াবদি মীখল অসি লোক সভাগী সিট ৫৪৩ লৈবগী মনুংদা সিট ৫৪২ খক্তগীনি।

৬শুবা তাঙ্ককী মীখলদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা সিট ৩০০গী মথক্তা ফঙগনি হায়না পারি। অদুবু ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীখলগী তরেৎশুবা তাঙ্কক য়ৌদ্রিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা প্রেস কনফরেন্স কৌখি। প্রেস কনফরেন্স অদু নরেন্দ্র মোডিগী চহী মঙাগী মনুংদা অহানবনি। লোয়ননা কনফরেন্স কৌখিবা অসি পূক্নিং লাংতক্তবগী খুদম ওইবসু য়াই হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা বি জে পিনা অহানবা ওইনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিগী চুংশিন্নবা য়াওদনা মীখল মায় পাকখিবনি। মরোমদোম ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অমনা লৈঙাক শেমখিবা অসি চহী কুন্থ্রাগী মনুংদা অহানবনি। অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিদদি বি জে পিসু অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মতেং লৌগদ্রা হায়বা অসি ৱাহং অমা ওইরি। অমিট সহানসু সিব সেনা অমদি নিটিশ কুমারগা পুনশিন্নবগী অপাম্বসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। এক্সিট পোল অনীদসু এন দি এনা মেজোরিটি ফঙগদবা সিট মশীংদগী খরা হন্থনা ফঙবা য়ানা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, ওপোজিসনগী মরুওইবা লুচিংবশিংসু লৈঙাক শেম্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে। অপুনবা ওপোজিসনশিংনা ইলেক্সন কম্মিসনদসু কাঙলোন চুম্না ভোট মশীং থিনবা তকশিল্লি।

মীফম অদুদা অহম্মদ পটেল,গুলাম নবী অজাদ, অশোক ঘেলোট, কোংগ্রেসকী অভিশেক নাইদু সিংহভি, টি দি পিগী চন্দ্রবাবু নাইদু, বি এস পিগী সটিশ চন্দ্র মিশ্র, সি পি এমগী শিতারাম য়েচুরি, সি পি আইগী দি রাজা,দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং আম আদমি পার্টিগী কনভেনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী দেরেক ও ব্রেইন, সমাজ ৱাদি পার্টিগী রামগোপাল য়াদব,দি এম কেগী কানিমোঝি,আর জে দিগী মনোজ ঝা, এন সি পিগী মজিদ মেমোন, এন সিগী দেভিন্দর রানাসু শরুক য়াখি।

# ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী কাউন্টিংগী...

*লমায় ১গী মখা*

সি সি টিভি কেমেরা ইন্সটোল তৌখ্রে। মসিগী মথক্তা ভিদিওগ্রাফিক লৌননবা থৌরাংসু পায়খৎপা লোইরে।

লোয়ননা কাউন্টিং হোলশিংদা পুরক্কদবা ই ভি এম অদু কাউন্টিং হোল ফাওবা য়ৌরকপগী লম্বীদা করি–করি তৌই হায়বদু খঙদোক্লবা কেমেরা ফিক্স তৌদুনা লৈরে। ই ভি এমদা অকায়–অতোই য়াওদনা য়ৌরকই হায়বদু উৎননবা দিসপ্লে য়ুনিট অমসু হাংদুনা লৈরে।

মরুওইনা কাউন্টিংগীদমক শেম–শাবা অসিদা সেক্যুরিটিগী লয়ার ৩ থোক্না লৈগনি। অহানবা লয়ারদা কমপ্লেক্স অসিগী মিটর ১০০ থাপ্না লৈগনি। কমপ্লেক্স মনুং চঙলগা অমসুং বিল্ডিং মনুং চঙদ্রিঙৈদা অনীশুবা সেক্যুরিটি লয়ার অমসু থমগনি। অহানবা অমসুং অনীশুবা সেক্যুরিটি লয়ার অনীসিগী মরক্তা মেডিয়াগী সেন্টর অমসু লৈগনি। সেন্টর অসিদা লৈগদৌরিবা পাউমীশিং নোডেল ওফিসারনা কাউন্টিং হোলশিং অসিদা পুশিনগনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি কে মেঘচন্দ্রনা সেক্যুরিটিগী চেকশিন–থৌরাং লৌখৎলিবসিগী মতাংদা হায়খি, দি সি কমপ্লেক্স অসিগী মিটর ১০০গী ৱাংমদসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম ১৮মুক খনগৎতুনা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন–থৌরাং লৌখৎলে। মসিগী মথক্তা নুপী য়াওনা মোবাইল টিম অমসু শেমদুনা থল্লে। লোয়ননা কোরদোন এন্দ সর্চ ওপরেসনসু কনখৎহল্লে অমসুং য়ু য়াওনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা দ্রাইভ অমসু চথবা হৌরে। অসিগুম্বা পাঙথোকপা থৌরাংশিংদা মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু হায়খি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবী ট্রাফিক পুলিসকী এস পি খোইস্নাম শর্ম্মনা মীখলগী কাউন্টিং অসিগীদমক চথোক–চৎশিন্দা অহোংবা লৈগদবশিংগী মতাংদা হায়খি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সি কমপ্লেক্সতা দি সিনা অয়াবা পীবা গাড়ী খক্তমক চথোক–চৎশিন তৌবা য়াগনি। লোয়ননা চথোক–চৎশিন্দা খুদোংচানবগীদমক কট পোইন্ট ১০ লৈগনি। কট পোইন্টশিং অদুদি নাওরেমথোং থোং,য়ুম্নাম লৈরক হায়জিল্লকফম, চীঙাবম লৈরক, নোর্থ ৱেষ্টর্ন কোর্নর ওফ সি আর পি এফ লম্ফেল,কোর্ট কমপ্লেক্স লম্ফেল, দাইরেক্টোরেট ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ লম্ফেলপাৎ, থৌদাম লৈরক, এক্সাইজ ওফিস হায়জিনফম অমসুং কোম্বীরৈ রোদকী সেন্ট মেরি স্কুল তাবা লম্বীগী হাইজিনফম। হায়রিবা কট পোইন্টশিং অসিদা দ্রোপ গেট শারগা অয়াবা পীরবা মীওইখক্তমক চঙবা য়াবগী খুদোং চাবা পীগনি। মীয়ামগীদমক্তদি মীখল মশীং থিবা লোইদ্রিফাওবা খ্বাই বাজারদগী লাকপশিং রিমস রোদ লোমদা অমসুং খল্লাংবা থোংলোমদা চৎহনগনি।

খম্লাংবা থোংলোমদগী লাকপা গাড়ীশিংনা খ্বাই বাজার রোমদা চৎহনগনি। তেরা বাজার রোমদগী লাকপা গাড়ী শিং নাওরেমথোংগী অনৌবা থোংলোমদা চৎহনগনি অমসুং য়ু কে রোদ লোমদা থাদোক্কনি। দি সি ওফিস কমপ্লেক্সকী অনকপদা ওঠোরাইজ ওইদবা গাড়ীশিং পার্ক তৌরম্বা থেংনরবদি ক্রেং শীজিন্নদুনা লৌথোক্কনি। হায়রিবা ট্রাফিক্কী রিগুলেসন অসিদা মীয়ামদা খুদোংচাদবা খরা পীরগসু মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।